HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ১৯শুবা শচিফু ইনাৎ ঙাইখং কুম্মৌগী মঙানি চনবা নুমিৎতা পাঙথোকপা লাই য়েকপা চাংদম্নবদা মকোক মথং তারবা মহৈরোয়শিংদা মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপা

থম্মোয় পাউদম : মীখল মতুংগী 'কুকি লান'- য়েংসিরা... লামায় ২
লামায় ৪ লৈপাকসি কনানা নীংলিবগে?
নোংমগী শোয়দনা মণিপুর ঈরোলনুংদা লূপখ্রগনি ... লামায় ৬
লামায় ৮ অনুরাগ থাকুরগী ৱাফমগী মায়োক্তা কোংগ্রেসনা ঈ সি দা ...
(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা... লামায় ৯
লামায় ১০ তেলঙ্গনাবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীরম্লগা মণিপুর...

মণিপুরগী মহৈশঙশিং অমসুং লৈকায়শিংদা উ থানবগীদমক ককচীং লমখাইদগী উপাল থাসি, উপাল হিংহনসি মিংথোনবা এনভাইরনমেন্ট এক্টিভিষ্ট মনিকান্ত মুতুমগী খোঙচৎপু ককচীংগী রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসর লাইশ্রম দিনেসনা লমথাবা



Vol. 48, Issue No. 028 | নিংথৌকাবা, শজিবু ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, April 29, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## কৌত্রুক মনাক্কী বেথেলগী লানফমদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তানবা কুকি টেররিষ্ট ১ হাৎখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৯ অমসুং ২৬তা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী তাঙ্কক অনীগী মপূং ওইবা শরুক মণিপুরদসু পাঙথোকখিবগা ইরোয়ননা আউটরদা পোল্লিং ষ্টেসন তরুক্তা রি-পোল তৌগদবা লৈরগসু সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তান্দুনা মীতৈদা অতম্ননা ওনশিন্দুনা লান্দারক্লিবা কুকি টেররিষ্টশিংগা কৌত্রুক মনাক্কী বেথেলগী মফম অমদা শোক্নখিবা লানফমদা দিমান্দ অসিবু তাল্লিবা কুকি মিলিটেন্ট অমা শিরগা অহুম শোকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙরাং নুংথিলদগী হৌরক্লগা থোরকখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌত্রুকতা খুঞ্জাশিংনা শীং থিরিঙৈদা খঙহৌদনা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিনবা হৌরকখিবনি অদুবু লাইবক ফবদগী মীশি-মীনা য়াওখিদে। থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুং ঙরাং নুমিদাং কাংপোকপীগা তাইনরিবা লৈমখোংগী মনীং থংবা শরুক্তগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা শক্তিমান ত্রক অনীদা তোংদুনা লাক্লগা কৌত্রুককী মনীং চীং অমদি বেথেলগী মফম খরা য়াওনা সনসং অমদি মুলাই কুকি খুল তম্না চঙশিল্লক্লবা মতুং কদাংবন্দ অমসুং সেঞ্জম চিরাং য়াওনা কৌত্রুককী এরিয়াদা নোংমৈ খক্তা নত্তনা বোম্নচিংবা কাপশিল্লক্তুনা অকনবা লান চথরকখিবনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা কদাংবন্দ, কৌত্রুক অমদি সেঞ্জম চিরাংনচিংবা মীতৈখুলশিংদা লোকল মেদ বোম ১৪/১৫ রোম কাপশিনবা য়াওনা নোংমৈ মরূ কয়া কাপশিন্দুনা এটেক চথরকখিবনি। থৌদোক অসিদগী খুল ঙাকপশিংনসু হন্দুনা খূৎ থোক্লখি। অদুগা ঙসি অয়ুক পুং ৭.৪৫ রোম তারকপদা নাকল অনীনা খূৎ থোক্লরিবা মফম অদুদা পুলিসকী দি আই জি, এন হেরোজিৎ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম লাক্লুনা য়েংশিল্লখি।

অদুম ওইনমক খূৎ থোক্লরিঙৈ মনুংদা বেথেলগী মফম অমদা কুকি টেররিষ্ট অমা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শিখি অদুগা অতোপ্পা অহুম্না শোকখি হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা খুল ঙাকপশিংগী খূৎতা লৈখিদ্রবা কুকি টেররিষ্ট অদুগী মমিং লম্মাং কিপজেন (৪৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা লুনলেট কিপজেন কৌই, মহাক কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা এল মোলসাং খুলদগীনি । অদুম ওইনমক শোকপদগী কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংখিবা মীওই অহুমগী মমিং মথাদি ফংবা ঙমখিদে।

পনবা য়াবদি, খুল ঙাকপা খক্তা নত্তনা ষ্টেট ফোর্সনা বুল্লেট প্রুফ কেস্পর ত্রক ফাওবা শীজিন্নদুনা খূৎ থোক্লবা য়াওখি। ষ্টেট ফোর্সকী মায়কৈদগী খূৎ থোক্লবা য়াওশিল্লকপদা কুকি টেররিষ্ট খরদি মখোয়না নোংমৈ অমদি বোম কাপ্পমখিবা বঙ্করশিং থাদোক্তুনা চেনখিবা উনখি হায়রি। অদুবু ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পবগী মখোল খুঞ্জাশিংনা তাবা ফংখি।

থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা কুকি টেররিষ্ট অদুগী হকচাংদা ইকায়খুম্নবা উৎলবা মতুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী কৈমাংদা লৈবা মার্টরস সিমিত্রি হায়না মিংথোনবা মফম অমদা লৈরোন চন্দুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কুকি টেররিষ্ট অসি শিবদগী কাংপোকপীদা কোটুনা টোটেল শটদাউনগী খোঙজং চঙশিনখি।

## কুকি টেররিষ্টশিংনা খুদুম চনবদগী মীতৈনা চহী ১ রোম তম্পাক্তগী হেন্দোকপা ঙমদনা লৈরক্লিবসি পাকিস্টান ওক্যুপাইদ কাশ্মীরগা করিদা খেন্নরিবগে : কোকোমি

### 'নরানসৈনাদা সী আর পি এফ ২ হাৎলগা ২ শোকহনখিবা থৌদোক সী বি আই নৎত্রগা এন আই এদা শিন্নদুনা থিজিলহনগদবনি'



এপ্রিল ২৬-২৭, ২০২৪গী লোন্নবা অহিংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা নরানসৈনাদা লৈবা সী আর পি এফ পর্সনেলশিংদা চথরম্বা এটেকতগী শোক্লবা পর্সনেলশিং লায়কন্ননবা পুরকপা (ফাইল ফোটো)

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নরানসৈনাগী অনীশুবা আই আর বি পোষ্টতা চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা অকনবা লান্দা চথ্দুনা পোষ্ট অসিদা লৈবা সী আর পি এফকী পর্সনেল অনী হাৎখিবা অমদি অনীনা য়াম্না থীনা অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক অদু টেররিষ্টকী থৌওং অমনি হায়না কোকোমিনা লৌই হায়রি।

ৱাফম অসি কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) গী মীদিয়া কোওর্দিনেটর য়ুমখাইবম সুরজিৎকুমার খুমননা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌদোক অসি সী বি আই নৎত্রগা এন আই এদা শিন্নদুনা লোগী চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি। থৌদোকসিদা চেন্নরিবা চিন-কুকি নার্কো ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## 'ইলেক্সন দ্যুটি চৎনখিবগী পর্সনেল মশীং য়ামদ্রিঙৈদা খুদোংচাবা লৌখিবনি, চেন্নবশিং অথুবা মতমদা চৈরাক ফংহনগনি'

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নরানসৈনাদা লৈবা অনীশুবা আই আর বিগী বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টর কেম্পসকী



সী আর পি এফকী আই জি অখিলেস প্রশাদ সিংহ

মনীং থংবা শরুক্তা লৈবা সী আর পি এফকী কেম্পতা থা অসিগী ২৬ অমসুং ২৭কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১২.৫০ রোম তারকপদা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ অমদি বোম শীজিন্নদুনা লান্দারকপদা ১২৮শুবা সী আর পি এফ, বি কম্পেনিগী পর্সনেল অনী হাৎখিবা অদুগা অতোপ্পা অনীনা তমথীনা অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক্কী মতাংদা সী আর পি এফকী ইন্সপেক্টর জেনরেল অখিলেস প্রশাদ সিংহনা থৌদোক অদু সী আর পি এফকী পর্সনেলশিং ইলেক্সনগী দ্যুটি চৎনখিবগী মশীং য়ামদ্রিঙৈদা খুদোংচাবা লৌদুনা লান্দারকখিবনি অমসুং চেন্নবশিং অথুবা মতমদা চৈরাক ফংহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ন্যুজ এজেন্সী অমদা ঙসি আই জি অসিনা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## দব্লিয়ু এম সীগী মীতৈবু এস টি ওইহন্নবগী খোঙজং লেপত্রি
## মীতৈ কন্নবা অমত্তা ঙাইরবা ঙাক্লৌদি সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইবা খক্তনি : দব্লিয়ু এম সী

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** মীতৈ/মৈতৈবু কলহৌনবগী অমত্তা ঙাইরবা ঙাক্লৌদি ফূরুপ অসিনা লৈবাক অসিগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী থাফম থোক্লিবা রেকমেন্দেসনশিং অথুবা মতমদা থাগদবনি হায়দুনা ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সল (দব্লিয়ু এম সী) গী সেন্ত্রেল এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা তোঙান




লিষ্টতা চনবা খক্তনি হায়রদুনা ফূরুপ অসিবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্তগী তোঙানবা লূপশিংগা খূৎশম্নদুনা মফম কয়াদা চঙশিল্লকপা খোঙজং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## উত্তর প্রদেশতা এগজামিনেসনগী ৱাহংগী অশেংবা পাউখুমগী মহুত্তা 'জয় শ্রী রাম' হায়না ইশিল্লম্বা মহৈরোয় ৪ পাস তৌহল্লম্লে

**জুৱানপুর, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :** হৌখিবা চহী খরগী মনুংদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকপা অঙকপা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা উত্তর প্রদেশ লৈঙাক্না চলাইবা বির বহাদুর সিংহ পুরৱাঞ্চল য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা 'দি ফার্মা কোর্স' কী অহানবা অমসুং অনীশুবা সেমিষ্টরগী এগজামিনেসনদা কোর্স অসিগা মরী লৈননা হংবা ৱাহংশিংগী অশেংবা পাউখুমগী মহুত্তা 'জয় শ্রী রাম' হায়বা য়াওনা ৱাহং খরগী পাউখুমদনা ইন্দিয়ন টিমগী ক্রিকেটরশিংগী মমিং ওইনা ইশিল্লম্বা মহৈরোয় ৪ চাদা ৫৬কী চাংদা মার্ক ফংহন্দুনা পাস তৌহল্লম্বগী থৌদোক থোক্লম্লে।

এজেন্সীগী পাউনা হায়বদা এগজামিনেসন অসিদা পাস তৌহল্লম্লিবা মহৈরোয় মরিমক অপূনবা মার্ক ৭৫গী মনুংদা ৪২ ফংহন্দুনা চাদা ৫৬কী চাংদা মার্ক ফংহল্লম্বনি হায়রি।

### য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ২ সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌখ্রে

থৌদোক অসিগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. বন্দনা সিংহনা ফোঙদোকখিবদা ৱাথোক অসি থোরকপদগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী এগজামিনেসন কম্মিটিগী মীফম অমা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে অমসুং মহৈরোয়শিংগী মার্ক অরানবা মওংদা মহৈকোল অসিগী প্রোফেসর ডা. অসুটোস গুপ্তা অমসুং ডা. বিনয় শর্মানা ইভাল্যুএসন তৌরম্বনি হায়বা খঙলে হায়খি।

মরম অসিনা মখোয় অনীবু মথৌ তৌহন্দবা য়াওনা মখোয়গী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎনবা মীফম ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## বোম পোকখায়হল্লম্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাং পুং ৭.১৫ রোম তারকপদা শকখঙদবশিংনা ইম্ফাল ইষ্টকী বামোন লৈকায় পরেংদা লৈবা গুরুঅরিবম লৈকায়গী সরোজকুমার কৌবা মীওই অমগী থোঙ্গাল ময়াদা বোম অমা পোকখায়হল্লম্লে হায়রি।

অদুম ওইনমক বোম অদু মপাঙ্গল কন্দবা বোম ওইবদগী অশোক অপন অমত্তা য়াওহৌদ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Manipur thugainingba yeknaba singga mayoknarakliba akanba Lan ashi onna-teinaba lambi amada chathankhiba haibasi achumba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

### NGARANG GI RESULT

Q : Tangkak anida Manipurda Lok Sabha Election pangthokhraba matungda Kuki Terroristsingna henna kanba Lan chatharakkani haibada langadra?

Yes 40% No 60%

### অস! লোইরেহে!

- মণিপুর নুংঙাইরে, ইবুংঙো।



- সার মথক মখা ওল্লে।

## নরেন্দ্র মোদি হুন্দুনা ঙাঙলুবগীদমক বি জে পি বিকানর মাইনোরিটি সেলগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পার্টিদগীসু তান্থোকখ্রে, পুলিসনসু ফাখ্রে



**ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :** বি জে পি অসি নরেন্দ্র মোদি খক্তগী নাইতোম পার্টি নত্তে হায়বা য়াওনা পাঙথোরক্লিবা মীখল অসিদা রাজস্থানগী ওইনা লৈরিবা লোক সভা সিট ২৫গী মনুংদা বি জে পিনা সিট ৩/৪দি মাঙলগনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লুবগী চার্জদা বি জে পি বিকানর মাইনোরিটি মোর্চাগী হান্নগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## সী আর পি এফশিংনা তিঙ্গ্রি থাদোক্তুনা চৎননবা হোৎনরকপদা মৈরা পায়বীশিংনা থিংখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা সেকমাই পি এসকী মনুং চনবা রেদ জোন অমা ওইরিবা তিঙ্গ্রিগী মীয়াম্বু ঙাক শেন্দুনা লৈরক্লিবা সী আর পি এফ পর্সনেলশিংনা মীখলগী মথৌ পাঙথোক্লবা পাউতাক পীরক্লে হায়না মখোয়না লৈরক্লিবা পোষ্ট থাদোক্তুনা চৎননবা হোৎনরকপদা মফম অসিগী য়াম্লবা মৈরা পায়বীশিংনা থিংদুনা চৎহনখিদ্রে।

পাউ অসিনা হায়বদা ঙসি অয়ুক ইখঙ খঙহৌদনা তিঙ্গ্রি রেদ জোন এরিয়াদা লৈরম্বা সী আর পি এফশিংনা মফি-মরোল য়োমদুনা গাড়ীদা তোংদুনা মফম অসি থাদোক্তুনা চৎননবা হোৎনরকখিবনি। মখোয়না ইলেক্সন দ্যুটি লোইরবা মতুংদা অমুক হল্লক্কনি হায়বগী ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকখি। অদুগা মখোয়দা পীরক্লিবা লৈঙাক্কী ওর্দর অসিদা অথিংবা পীবিগনু হায়না ফাওবা হায়জখি।

করিগুম্বা মখোয় লাক্ত্রবদি মখোয়গী মহুত্তা অসাম রাইফলস লাকপসু য়াই হায়না ফোঙদোক্লখি হায়রি। অদুম ওইনমক মফম অদুগী য়াম্লবা মৈরা পায়বীশিংনা তিঙ্গ্রি হায়রিবা মফম অসি কুকি টেররিষ্টশিংনা ঙাইহাক লৈতনা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দাবা মফম অমা ওইবদগী রেদ জোননি হায়দুনা খঙনরক্লিবনি।

কুকি টেররিষ্টশিংনা য়ুমদা য়োকপা শা-ষণ ফাওবা পুদুনা চৎখিবগী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রে। মরম অসিনা নখোয় চৎখ্রবদি মফম অসিদা থল্লিবা মশীং য়ামদ্রবা ষ্টেট ফোর্সশিং খক্তনা খুঞ্জাশিংবু ঙাকপী শেনবীবা ঙম্লোই। মরম অসিনা নখোয় চৎকে হায়রবসু মহুৎ শিনবা অতোপ্পা ফোর্স অমা লাক্ত্রিবা ফাওবদি চৎপা য়ারোই হায়না লম্বীদা উ-ৱানচিংবা ফৈজিন্দুনা অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা ফমজিন্দুনা থিংবদগী চৎখিদ্রে হায়রি।

## মে ৩দা মালেম থোঙামনা হৈঙাংদগী থম্বাল শঙলেন ফাওবা য়ানীংদবা খোঙচৎ চৎকদৌরি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস):** য়ূম লিশীং কয়া মৈ চাকখ্রবা অমসুং মীওই লিশীং কয়া খূৎশেমগী চাকনি ফিনিবা ওইহল্লবা অদুগা নহা কয়া অমনা খূৎতা খূৎলায় পায়হল্লবা, শিন্মী য়াওনা মীচম মীয়াম ফোংনা হাৎলক্লিবা চহী চূপ্পা তম্পাক লমদা ওনশিল্লগা নোংমৈ-বোম্নচিংবা শীজিন্নদুনা লান্দুনা লৈরিবা অসি লেপহল্লু হায়না 'রেষ্টোর পিছ এন্দ হারমোনি ইন মণিপুর' হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা চরা হেনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং চঙশিল্লক্লিবা ত্রান্সজেন্দর সোসল এক্টিভিষ্ট মালেম থোঙামগী খোঙজং মখা তানা চঙশিনখিগনি হায়না মহাক মশানা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## এন সী ঈ আর টিগী টেক্স বুকতা মণিপুরগী মূক্না কাংজৈবু মিজোরামগীনি হায়রক্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস):** নেসনল কাউন্সিল ফোর এদ্যুকেসনেল রিছর্স এন্দ ত্রেনিং (এন সী ঈ আর টি), ন্যু দেল্লীগী মখাদা এস সী ঈ আর টি, ন্যু দেল্লীনা কুমজা ২০২৩-২৪দা ফোঙবা 'লার্নিংস থ্রু ত্রেদিসনেল গেমস' হায়বা টেক্স বুকতা মণিপুরগী ইন্দিজিনস গেম অমা ওইরিবা মূক্না কাংজৈবু মিজোরামগীনি হায়না লান্না ফোঙলক্লে হায়রি।

ৱাফম অসি লম্ফেলগী দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (স্কুল) কেম্পসতা লৈবা এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্ট ফিজিকেল এদ্যুকেসন টিচরস এসোসিএসন ইম্ফাল, মণিপুরগী সেক্রেটরিনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, টেক্স বুক অসি ইন্দিয়া শিনবা থুংনা তম্নবা এন সী ঈ আর টিনা ফোঙবনি। লমায় ৮৮ পানবা লাইরিক অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী হৌদোকপা ইন্দিজিনস গেমশিং শক্তাক্লবা ফোঙবা লাইরিক ওইনা তৌই। অদুবু লাইরিক অসিগী লমায় ২৪দা 'মিজোরাম-মূক্না কাংজৈ' হায়বা হেদ লাইনগী মখাদা ফোঙলক্লে। মরম অসিনা মণিপুরগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট, এস সী ঈ আর টি, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টর অমদি লন্নাই লূপ কয়ানা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙহৌবা চুমগনি। এসোসিএসনগী মায়কৈদগীসু দেল্লীগী এন সী ঈ আর টি অমসুং এস সী ঈ আর টিদা অথুবা মতমদা চুমথোক্লবা চে ইরে হায়রি।

## পাঙ্গৈ লম্বী থিংবগী খোঙজং মতম খরগী ওইনা হন্দোক্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস):** ইম্ফাল পাঙ্গৈ রোদ জোইন্ট দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ইম্ফাল-পাঙ্গৈ লম্বী শেম্বীদ্রবদি হয়েংদগী হৌরদুনা লম্বী অসি থিংবগী খোঙজং চঙশিনগনি থৌরাংলম্বদু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা শেল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী মতম খরগী ওইনা হন্দোক্লে হায়না কম্মিটি অসিগী কনভিনর সলাম ইবোপিশকনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## পূন্না লাঞ্জেনমিন্নরকখিবদগী লৈখিদ্রবা ইপুরোইবগী ফিরোই মহাক্না চঙজফম লৌরম্বা রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকপা য়াহনবীয়ু : থোকচোম বিলাসিনি

### হকথেংনবা পাউদম
#### মোরেগী খুঞ্জা অমা

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা ঈরাং অদু মোরেদসু শন্দোরক্তুনা মফম অদুদা ঐখোয়দি লাই হরাওবা য়েংবা চৎকে হায়দুনা থৌরাং তৌরম্বনি অদুবু খঙহৌদনা ঈরাং হেনজিল্লকপদগী ইশাদা করিগুম্বা পোৎশক অমা ফাওবা পুবা নংদনা থৱায় হিংনবা চেল্লকখিবনি হায়না মোরে হৈনৌ খোঙনেম্বী, ৱার্দ নম্বর ৭তগী থোকচোম বিলাসিনি (৫২), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা থোকচোম থোইবনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, ইপুরোইবগা পূন্না থৱায় হিংনবা মথং মথং চেল্লকপদা পল্লেলগী আর্মি কেম্পতা মতম খরা চঙজফম লৌখি। মফম অদুদগী লাকপদা ইপুরোইবগী হকচাং লায়ওং খঙদনা মখোঙ-মখূৎ পোমখৎলকপনচিংবা তৌরকখি। হান্নদগী মহাক অস্থুমা অমদি গাউটকী অনাবদি লৈরকখিবনি। অদুবু লিলোংদা লৈবা ইনম্মগী য়ূমদা লাই খুরুম্বনচিংবা তৌখ্রবসু মহাক্কী অনাবগী ফীভম ফগৎলকপা লৈখিদে। মসিদগী তঙাইফদনা লায়েংদবা য়ারক্তবদগী রিমসতা চৎতুনা লায়েংখি। লায়েংশঙ অসিদা লায়েংলক্লবসু ফবা কৌবা লৈখিদে। ফগৎলকপগী মহুত্তা থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেন্নরকখিবী ঐহাকপু থাদোক্লম্লগা লৈখিদে। ইপুরোইবা লৈখিদ্রবসু ঐহাক্তি মণিপুর কোলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অসিদা ঙসিসু অদুমক লৈরক্লি।



মহাক্না মমিৎতগী মপি তানা পাউচে অসিদা হায়, লৈখিদ্রবা ইপুরোইবদু চফু মচেৎ, উয়ান মচেৎতগী হৌদোকমিন্নরক্তুনা য়ূম পানমিন্নরকখিবনি। ইপুরোইবা অমসুং ঐখোয় অনীগী য়ূম কৈ লোইনমক মৈনা তুম্না থাদোকপীখ্রে। ইমুং অদুদগী থৱায় হিংনবগীদমক চেল্লকখিবনিনা করিগুম্বা পোৎলম অমত্তসু পুরকপা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক য়ূম মৈ থাবা হৌরকপদগী ইচাশিং অমসুং ইমৌশিং হান্না শাফগদবা মফমদা চেলহনখ্রবা মতুংদা ইপুরোইবগা ঐগদি ইকোন কোন্না পূন্না চেনমিন্নরকখিবনি।

পল্লেলগী আর্মি কেম্পতা নুমিৎ খরনি চঙজফম লৌদুনা লৈরিঙৈদা মফম অদুদগী ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংবা রিলিফ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫